# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 18-11-2025)**

**অকাশবানি ইম্ফালগী**

**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**

**(তাং ১৮-১১-২০২৫, লৈবাকপোকপা)**

----

**রাজভবন (এল)ঃ** রাজ্যপাল অজয় কুমার ভল্লানা ময়াই তাংবল লৌদুনা ১০ শুবা রাজ্য থাক্কী এনকোর্দ(এন.সি.ও.আর.দি) মীফম ঙরাং ইম্ফালগী রাজভবনগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখ্রে। রাজ্যগী চিফ সেক্রেটরি, দি.জি.পি, সেনিয়র ওফিসরশিং অমদি অতৈ লো এনফোর্সমেন্ট অমসুং সেক্যুরিতি এজেন্সীশিংগী মীহুৎশিংনা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা মণিপুরদা হৌজিক ওহরক্লিবা নার্কোতিক্স ত্রাফিক্কিং, পোপী অমদি কেনাবিস কলতিভেসন অমসুং দ্রগ এব্যুসকী মতাংদা কুপা খন্নখি। মদুদা, পুলিস, নাব অমদি লাইন বিভাগকী মীহুৎ কাংবুশিংনা প্রজেন্তেসন পীদুনা মমুৎ তানা খঙহনখি।

সমস্যা অসি থেংননবগীদমক লো এনফোর্সমেন্ট অমদি সেক্যুরিতি এজেন্সীশিং পুন্না হোৎনমিন্নবা তঙাইফদে হায়না রাজ্যপালনা ফোঙদোকখি। পোপী পান্বীশিং য়াম্ৎপগী থবক হেন্না কনশিন্নবা, কনভিক্সর রেট অমদি প্রোজিক্যুসন হেন্না ফগৎহনবা অমদি অতৈ তোঙান তোঙানবা পোরম কয়া য়াৎতুনা দ্রগ মরু ফংনা মুত্থৎনবা হোৎননবা রাজ্যপালনা তোঙান তোঙানবা বিভাগশিংদা খঙহনখি। মীফম অদুনা, স্কেনর, সর্ভিলেন্স সিসতেম অমদি অতৈ দিতেক্সন ইক্যুপমেন্টশিং শিজিন্নবগী মতাংদা য়েংশিন্নবসু খন্নখি। লোয়ননা, মীয়ামদা হেন্না ভাপ তাহন্নবগীদমক তোঙান তোঙানবা মখলগী এৱেয়রনেস প্রোগ্রামশিং পাঙথোকবগী মতাংদসু খন্নখি।

মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমিগী চহীগী মীফম ঙরাং রাজভবনদা

পাঙথোকখ্রে। রাজ্যপাল অজয় কুমার ভল্লা শরুক য়ারদুনা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা রাজ্য অসিগী লৈখিদ্রবা আর্টিসশিংগী মফমদা ইকাই খুমবা উৎখি। মীফম অদুদা, মণিপুরগী নাৎ, চৎনবী অমসুং কলা সংস্কৃতি অসি মনিপুর খক্তা নত্তনা মনিপুরগী মপানদসু মীয়ামা হেন্না শক খঙননবা অমদি চাউখৎনবগী মতাংদা খন্নখি। মীফম অদুদা, হোমগী কম্মিসনর, আর্ট এন্দ কলচরগী কম্মিসনর, সেক্রেটরি টু গভর্ণরসু শরুক য়াখি।

**পুলিস (এল)ঃ** মীয়ামদগী নমদুনা শেল খাইবদা চেন্নবা অমদি আহননা য়াদবা থবক থৌরমশিংদা চেন্নবা মীওই অহুম সেক্যুরিতি ফোর্সনা ফারে।

মণিপুর পুলিস কন্ট্রোল রুমনা থোকপা চেরোল অমদা হায়-রাজ্য অসিদা আইননা য়াদবা থবক তৌবশিং অমদি মীয়ামদগী নমদুনা শেল খাইবদা চেন্নবা মীওইশিং ফাননবা লেপ্পা লৈতনা হোৎনরি । ঙরাং সেক্যুরিতি ফোর্সনা কে.সি.পি(পি.দব্লিয়ু.জি)গী কাদর অমা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী লমশাং পুলিস স্তেসননা কোনবা ময়াং লাংজিং তমাংদগী ফাখি। য়ু.এন.এল.এফ-কে গী কাদর অমসু ঙরাং সেক্যুরিতি ফোর্সনা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী ময়াং লাংজিং তানিংদগী ফাখি। লোয়ননা, সেক্যুরিতি ফোর্সনা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী শগোলমাং পুলিস স্তেসননা কোনবা তাইগর কেম্পতগী মীওই অমা ফাখি। মহাকা হায়দোরকপগী মতুং ইন্না তাইগর কেম্প ভিলেজকী চীংখোঙদগী মেগজিন য়াওবা পোইন্ট থ্রি আইট পিষ্টোল অমা ফংবা ঙমখি। ফারবা মীওইশিং অসি মীচম মীয়ামদগা নমদুনা শেল খাইবা অমদি অতৈ আইননা য়াদবা থবক থৌরমশিং তৌবদা চেন্নবনি হায়রি।

**পোপী (এল)ঃ** মণিপুরদগী দ্রগ মুথুৎনবগী পান্দমদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা থবক থৌরম কয়া লেপ্তুনা পায়খৎলি।

মণিপুর পুলিসকী পাউনা হায়-কাংপোকপী ফোরেষ্ট দিভিজনগা খূৎশমদুনা

ঙরাং সেকু্যরিতি ফোর্সনা কাংপোকপী জিলাদা থারম্বা পোপী পান্বীশিং য়াম্থৎতুনা মাংহনখ্রে। জিলা অসিগী হোলজাং চীংশাংদা লম একর ২৬ রোমদা থারম্বা পোপী পান্বীশিং য়াম্থৎতুনা মাংহনখি। মফম অদুদা লৈরম্বা শঙ ১৭ অমসু মৈ থাদুনা মাংহনখিবতা নত্তনা পোপী থাবদা শিজিন্নবা হার বেগ ৭ অমদি থুম বেগ ৩ সু মৈ থাদোক্তুনা মাংহনখি হায়রি।

তেংনৌপল জিলাগী তেংনৌপল পুলিস স্তেসননা কোনবা খূদৈ খুলেনগী চীংশাংদা সেকু্যরিতি ফোর্সনা ঙরাং এন্তি নার্কোতিক্স ওপরেসন অমা চখি। মদুদা, আইন কাইনা লম একর ১৫ রোম ওইগদবা মফমদা থারম্বা পোপী পান্বীশিং য়াম্থৎতুনা মাংহনখি। মফম অদুদা লৈরম্বা শঙ অমা য়াওনা দ্রগ শুংবদা শিজিন্নবা পোৎলমশিং মফম অদুমক্তদা মৈ থাদুনা মাংহনখি হায়রি।

**ওকপা (এল)ঃ** তামিল নাদুগী চেন্নাইগী জে.এন স্তেদিয়মদা পাঙথোকখিবা ২৩ শুবা এসিয়ন মাষ্টর এথলেতিক্স চেম্পিয়নশিপতা শরুক য়ারুবা অমদি মনা ফংলকখ্রবা মণিপুর পুলিস পর্সনেলশিংবু মণিপুরগী দি.জি.পিনা তরামা ওকপগা লোয়ননা ইকাই খুমবা উৎখ্রে।

থা অসিগী ৫ দগী ৯ ফাওবা পাঙথোকখিবা চেম্পিয়নশিপ অদুদা থর্দ আই.আর.বিগী দিপু্যতি কম্মান্দেন্ট দব্লিয়ু.থোইবা সিংহনা নুপাগী চহী ৫০ মথক্কী পোল ভোল্ট ইভেন্টতা শেঞ্জেংগী তকমান লৌরকখি।

থৌবাল কম্মান্দোগী ইন্সপেক্তর এম.দি.ইমতিয়াস রেহমননা নুপাগী চহী ৪০ মথক্কী ফাইভ হন্দ্রেদ মিতর রেসতা শেঞ্জেংগী তকমান, বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী সব-ইন্সপেক্তর এল.বেমবেম দেবীনা তোঙান তোঙানবা মশান্নশিংদা সনাগী তকমান ১, লূপাগী তকমান ১ অমদি শেঞ্জেংগী তকমান ১ লৌবা ঙমখি। বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী সব-ইন্সপেক্তর টি.ঐচ রাধেসনা দেবীনা সনাগী তকমান ১ অমদি লূপাগী তকমান ৪, ইম্ফাল ৱেষ্ট পুলিসকী হেদ কন্সতেবল এন.ব্রজমনি সিংহনা শেঞ্জেংগী তকমান ১, নিপাল শুবা আই.আর.বিগী হেদ

কন্সতেবল কে.রোমেশচন্দ্র সিংহনা লূপাগী তকমান ১ অমদি অহুমশুবা আই.আর.বিগী রাইফলমেন এস.সোমানন্দ সিংহনা শেঞ্জেংগী তকমান ১ ফংবা ঙম্লকখিবনি। মখোয়শিং অদুবু ঙরাং মণিপুরগী দি.জি.পি রাজিব সিংহনা তরামা ওকখিবগা লোয়ননা ইকাই খুমবসু উৎখি।

**দেঙ্গি (এল)ঃ** মণিপুরদা ঙরাং ফাওবদা দেঙ্গিগী অনৌবা কেস ৪১ থেংনদুনা হৌজিক রাজ্য অসিদা পুন্না দেঙ্গি কেস ৫০৩২ য়ৌরে।

রাজ্যগী হকশেল বিভাগনা থোকপা চেরোল অমনা হায়- মীওই লিশিং ১০,৫৮১ তেষ্ট তৌবদা মীওই ৫০৩২ দেঙ্গি পোজিতিভ ওইবা থেংনখি। অদুগা, হৌজিক ফাওবদা লায়না অসিনা মীওই অমা লৈখিদ্রে। হকশেল বিভাগ অমদি অতৈ মরী লৈনবা বিভাগশিংনা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা মৈখু কাপথোকপা, ঙা মচা থাদবনচিংবা চেকশিল থৌরাং কয়া লৌখৎলি। মসিদসু নত্তনা লায়না অসিবু থেংননবা মীয়ামদা এব্র্যেরনেস কয়া পীবগী থবকসু চৎথরি হায়রি।

**পিএমঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি-ভারত অসি চাউখৎপা অমদি মরোমদোম লেপ্পা ঙন্না লৈবাক অমা ওইননবগীদমক য়ামা থৱাই য়াওনা হোৎনরি। নিউ দেল্লিদা পাঙথোকখিবা ৬ শুবা রামনাথ গোয়নকা লেকচরদা ৱা ঙাংবদা প্রধান মন্ত্রিনা মখা তানা হায়-মালেমগী ওইনা শিংনরকপা কয়া থেংনবগী মতম অসিদা ভারতকী ওইনদি চাউখৎ লম্বীদা খুমাং য়াংনা চংশিল্লি। ভারতকী চাউখৎপগী খোঙজেল অসি মালেমগী মীয়ামা খুদম ওইনা লৌনবা হৌরকে। মহাকা মখা তানা হায়-হৌখিবা চহী ২০২২দা য়ুরোপিয়ন ক্রাইসিস থোকপা মতমদা মালেমগী কৈথেলদা অকাইবা কয়া ওইহনখিবা মতম অদুদা ভারতকী শেল থুমগী ফিভম করিসু অকাইবা থোকখিদে। মসিদসু নত্তনা হৌখিবা চহী ২০২৩ দা নোংচুপ এসিয়াদা ফিভম ফৎচিল্লত্তবদগী মালেমগী ওইনা চাউখৎপগী

লমজেলদা হোংলকখিবা মতম অদুদা ফাওবা ভারতকী ওইনদি করিসু অকাইবা থোকখিদে।

**---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---**

মণিপুর সঙাই ফেষ্টিভেলগী মতাংদা ফোঙবা পাউশিং, রাজ্যপালগা এম.এল.এশিংগা উনখিবগী পাউ অমদি বঙ্গলাদেশকী হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর সেখ হসিনাগী পাউনা ঙসি ফোঙবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউশিং ওইরি।

মণিপুর সঙাই ফেষ্টিভেলগী মাংওইননা আই.দি.পিশিংনা পাক্তকনা প্রোতেষ্ট তৌগদৌরি হায়বা পাড অমা- পোকফমগী অহানবা হেদলাইন তৌরি। সঙাই ফেষ্টিভেলগী ৱাফম য়াওনা গভর্ণরগা হিরম কয়া পুথোক্তুনা খন্নবদা লৈখাই তাখিদ্রে হায়রি- হায়বা পাউ অমসু পাউচে অসিগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

সঙাই এক্সপ্রেস মণিপুর এদিসনদা- প্রসিদেন্ট দ্রৌপদি মুরমু মণিপুরদা লাক্লবা য়াই হায়না অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। পাউচে অসিদা- কদাংবন্দ দ্রোন বোম্বিংগী চার্জসিট কোর্টনা কোগনিজেন্স লৌখ্রে হায়বা পাউ অমসু অহানবা লামাইদা ফোঙলি।

হুইয়েন লানপাউদা- ক্লাইমেট চেঞ্জনা পীরকপা অকনবা শাফু হায়বসিদা ক্বাক্তাদদি থকবা ঈশিং ফংদবদগী লিতর লিশিং ১ দা লূপা ৫০০ দা লৈদুনা শিজিন্নরে হায়বা এক্সক্লুশিভ রিপোর্ট অমা ফোঙলি।

নহারোলগী থৌদাংদা- লাক্কদৌরিবা অনৌবা লৈঙাক্তা কুকি জো এম.এল.এ অনি কেবিনেদ মিনিষ্টরগী ফম ফংলবা য়াই হায়না অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। পাউচে অসিদা- লৈঙাকা মথৌ নাথৈদুনা শাশিন্নবা এচিভমেন্ট

উৎনবা হোৎনবদা সঙাই ফেষ্টিভেল পাঙথোকপা চুমদে হায়বা আই.দি.পিশিংগী ৱাফমসু অহানবা লামাইদা ফোঙলি।

থা অসিগী ১৫ দা সেক্যুরিতি ফোর্সনা য়াইরিপোক বামোল লৈকাইদগী মীওই অমা ফারে হায়না ফোঙদোকখিবা অদু আর.পি.এফ(পি.এল.এ)গা মরী লৈনদে হায়বা পাউ অসি- সনালৈবাক্কী অহানবা লামাইদা ফোঙলি। পাউচে অসিদা- কুকি তাদবা খুলদা ঈশিং পীরম্বগী লিষ্টতা কুকি ঙাক্তা য়াওরম্লে হায়বা পাউ অমসু অহানবা লামাইদা ফোঙলি।

রাজ্যপালগা এম.এল.এশিংগা সঙাই ফেষ্টিভেলগী মতাংদা খন্নখ্রে হায়বা পাউ অসি- সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

পিপলস ক্রোনিকলদা- পোপ্যুলর গভর্ণমেন্ট শেম্লকপদা কুকি এম.এল.এশিং য়াওগনি হায়না ফোঙখিবা রিপোর্ট অদু কুকি এম.এল.এ অমদি অতৈ কুকিগী ওর্গনাইজেসনশিংনা য়ানিংদবা ফোঙদোরকপগী পাউ অহানবা লামাইদা ফোঙলি।

তামেংলোং তাইমসতা- হান্নগী বঙ্গলাদেশকী প্রাইম মিনিষ্টর সেখ হসিনা বঙ্গলাদেশ ইন্তরনেসনেল ক্রাইমস ত্রাইব্যুনেল কোর্টনা শিবগী চৈরাক পীখ্রে হায়না অহানবা লামাইদা ফোঙলি।

গানফিউ মেলদা- রেন ফোরেষ্ট ক্লব তামেংলোংনা গার্জিয়ন্স ওফ হিমালায়ন্স এৱার্দ ২০২৫ ফংলক্লে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

হিলস হোর্ণবিল এক্সপ্রেসতা- মাউ ৱিমেন য়ুনিয়ন সেনাপতিগী সিলভর জ্বিলি থৌরম পাঙথোকখিবগী পাউ অহানবা লামাইদা ফোঙলি।

**--পাউ লোইজরে--**